# জুবিন গর্গ অমসুং অসাম

– এস ইন্দ্রকুমার–



অসামি সিঙ্গর সোং-রাইট, কম্পোজর, ইন্সত্রুমেন্টেলিষ্ট... মায়থোঙ য়াম্বা কলাকার, 'জুবিন গর্গ'-মশাগী চহী ৫১ খক্তা ঙাইরিঙৈ, ২০২৫ সেপ্টেম্বর ১৯দা সিঙ্গাপোরদা লৈখিদে। কলাকার অসিনা লৈখিদবদা অসামগী মীয়াম্না লম্বী-সড়ক-লমজাওদা থোক্তুনা অৱাবা-নুংঙাইতবা ফোঙখিবা... মাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং, মীরৈবাক্তগী মরমদমদা পুরকপদা, তরাম্না ওক্নবা থোরকখিবা মীয়াম... অসামখক্তদা নত্তে, ইন্দিয়া কৌবা নেশনসিবু ঙকহনখিবনি। মীয়ামগী মিহুল য়েংদুনা, অসাম গভর্ণমেন্ট'না নুমিৎ হুম্নি চূপ্না 'ষ্টেট-মুঅর্নিং' - রাজ্যগী থাক্তা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখি। অসামগী খ্বাইদগী ৱাংবা 'কলচরেল-আইকন' অমনি খন্নরিবা ম্যুজিক-কম্পোজর-দাইরেক্টর, দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ অমদি ভারত রত্না ফংখ্রবা 'ভুপেন হজারিকা'না থূপখিবদা ফাওবা, অদুগুম্না মীয়ামগী ওইবা অৱাবা-ফোঙবা, পেন্দবা-ফোঙবগী রেস্পোন্স ফংখিদে।

জুবিন-গর্গ' কী মফমদা অসামগী মীয়াম্না পীখিবা/উৎখিবা ইকায়খুম্নবা/রেস্পেক্ট অদুনা, ঐগী ইরমদম (মণিপুর) গী মীয়াম, মরু ওইনা কলাবু নুংশিবা মীয়ামগী থম্মোয়দা ৱাহং অমা হংহনখি। ৱাখল অমা খন্থহনখি। ঐখোয়গী অচৌবা/অফাওবা কলাকারশিংগী মফমদা লমদমসিগী মীয়াম অমদি অঙম-অথৌশিংসিনা করম্বা মীৎয়েং য়েংবগে? মথম্মোয়দা করম্বা মফম'-থম্বগে? জুবিন-গর্গ লৈখিদবা নুমিত্তুগী, থা অহুমমুক্কী মমাঙ, জুলাই ২৩, ২০২৫-ঐখোয়গী মনি (রতন), ইন্টরনেশনল থিয়েটর আইকন-রতন থিয়াম' লৈখিদে। থিয়েটর অমদি অতৈ কলাগী পুজারি খরখক্কী থম্মোয়দা নত্তনা কনাগী থম্মোয়দসু অখন্নবা মফম লৈরমদে... খন্নখিবনি মীয়াম্না। হান্নদগী খন্নরকপা/হায়নরকপা... 'মীতৈ/মৈতৈ হায়বা ফূরুপসিদি হীরো-ৱোর্সিপ-হৈতবনি... মপা-মপু-মবেন্দা তৌবীমলসু উত্তবনি'... হায়নবদু চুম্বজাৎনি, মচি মচিদা ঙাঙনরকখি। ...'ওজা রতন থিয়ামবু, লৈপাক্কী লন ওইহনখিদ্রে, কনাগুম্বা খরগী অনীংবা অপাম্বদুনা অরোইবা ফিরেপ ওইহনখ্রে'... ঐগী মরুপ অমনা নোংমা ফোঙদোকখিবনি পেন্দনা। ঐহাক করিসু হায়খিদে, তূমিন অদুম তাশিনখি। করি হায়রুদৌরিবা? করিসু তৌবা ঙম্লোইদবদা! থম্মোয় শোকখি। পেনখিদে। মহাক লৈখিদবদা লৈহৌরিবা অহাঙবা, মণিপুরী-থিয়েটর তাইবঙখক্কী নৎখিদে। ইন্দিয়ন-থিয়েটর খক্কীসু নত্তে, মালেম পূম্নমক্কীনি। অতোপ্পা কয়া লাক্তুনসু কৈদৌনুংদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাঙবসিগীদমক, লৈহৌরিবা ঐখোয়না নুংনাংই।

পূক্নিংসিদা ফাওখি-ওজা রতন থিয়াম, মণিপুরদা নত্তবা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা পোক্লম্বা থোক্লবা, অদুগা মহাক্না ফল্লম্বা থিয়েটরগী ফিদাদুমক্তদা ফল্লম্লবা মহাক্না থূপখিবদা ঐখোয়গী লৈঙাক (প্রসিদেন্টস রুলগী গভর্ণমেন্ট) অসিনা উৎলকখিবা এত্তিচ্যুদ অদুমক্তি উৎলম্লোই। প্রসিদেন্টকী মিংদা মণিপুরগী গভর্ণর'না লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈরিবসিগী মরু ওইবা লৈঙাক-মপুশিং, লমদমসিগী মীয়ামগী ইহুল খঙবা, মীয়ামসিবু নুংশিবা, লমদমসিদই হৌখিবা মীওই অমত্তা নত্তে। মণিপুরগী কলচরেল ভেল্যু মশক খঙদে, কলচরেল আইকন-শক্নাইবা কলাকার ময়ামসিগী ইমপোর্টেন্স'সু খঙবীদে। পূম্নমকসিগী মথক্তা-লমদমসিগী মীয়াম! মীবু মীথানদবা, ৱাইখু-কলচরদা হিংলকপা-লায়রবা শিন্মী অমনসু শিনশঙ মপু হুনবা-লম! লৈপাক-মীয়াম তিনফমদা ইনাক-খুনবা/লায়রবা খন্দোক'ঙমদবগুম, কনানসু কনাবু থৌওই'-উশিৎনদবা... লমদমসিগী তোপ-তোপ্পা ইন্দিভিজুঅল কলচর অমনি।

অদুগা, অৱাং-নোংপোক হায়নবা, ইন্দিয়াগী শরুক অসিদা পূন্না লৈমিন্নরিবা ষ্টেট 'অসাম' দা লৈবা 'অসামি'শিংগী মেন্টেল-এত্তিচ্যুদ অসিগা কয়া' তায়ওন্নরিবা! ৱারেংসিগী অহৌবদা পঞ্জখিবা ঈশৈ-শকপা অসামি-কলাকার 'জুবিন-গর্গ'না তাইবঙপান থাদোকখিবদা, অসামিশিংনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা মতৌদুগা... অনী অসি চাংদম্নদুনা, মফম খুদিং, মচি-মচিদা ঙাঙনরম্বা থেংনখি। অসামিশিংগী কলচরেল সেন্সিবিলিটি অমসুং মীতৈশিংগী ইনসেন্সিবিলিটি অনী চাংদম্নবই মথক্তা, রতন থিয়াম অমসুং জুবিন গর্গ - অনী চাংদম্নরকপদুদদি তাবা ঙম্লকখিদে ঐ। য়েস! জুবিন গর্গ - অসামিগী হর্ট-থ্রোবনি, খোয়দাজবা কলাকারনি, ইন্দিয়াগী লোল কয়াদা বোল্লিৱুদকী হিন্দি-ঈশৈ য়াওনা ঈশৈ-লিশীং-নিফুরোম রেকোর্দ তৌদুনা শকখ্রবনি। মখোয়গী থম্মোয়দুদদি রফি-কিশোরগুম্বনি, চাংদম্নবা য়ারবা। অমরোমদা রতন থিয়াম! মালেমগী থিয়েটর-তাইবঙদা অরংবা থৱান্মীচাক অমগুম তগুপ-তরং ঙাল্লম্বা। চাউবদগী চাউরবা, ফাওবদগী ফাওরবা করম্বা ইন্দিয়ন থিয়েটর দিরেক্টর, মহাক্কুম্না মালেমদা ইন্দিয়ন থিয়েটর শক্তাক্লম্বা অতৈ কনা লৈবগে? নেশনল স্কুল ওফ দ্রামা'গী দাইরেক্টর ফম'তা নত্তনা, চ্যেরমেন ফাওবা ওইরম্বা... মাগী অনৌবা প্রদক্সন, কৈদৌঙৈ পুথোক্লক্কদগে? মালেমগী মীয়াম্না ঙাইরম্বা থিয়েটর-মেকর অমনি। অনী অসি কৈদৌঙৈ চাংদম্ননা য়েংফরোই।

অদুমকপু খনখি ঐ - লৌমী-শিন্মী-অচৌ-অশাং-লাইরিক হৈবা/হৈতবা, মহৈরোয়দই হৌরগা মন্ত্রি-ফাত্রি ফাওবফাও... নুপী-অঙাং-নহা-অহল পূম্নমক্না অসামদা জুবিন-গর্গপু করিগী অদু য়ৌনা নুংশিরম্বা? অদু য়ৌনা পাম্মুরম্বা? ৱাফমসিমদি ঐখোয়সু নৈনফম থোকই, খঙফম থোকই। খনখি ঐ, নৈনখি। মচং ওইবা খরদং ময়ামদা তমজনীংদুনা কোল্লম-কাখলসিগী মতেং লৌ ইথোকচবনি ঙসি।

'জুবিন' - ৱাহৈসিমক্তি ইন্দিয়ন ওরিজিন নত্তে, পেরসিয়ন ৱাহৈ অমনি। ইমালোলসিদা হায়রগা 'ৱাংথোইবা' হায়বা তা'মাল্লে। ৱাংবদগী ৱাংলবা পূম্নমক্তই হেন্না ৱাংবা মহাক্তুবু কৌই 'জুবিন'! মমা মপা অনীনা ৱাহন্থোক অসি খঙলগবু থোনখিব্রা? ইচম চম্না ফজৈ/পামজৈ হায়দুনবু থোনখিব্রা? মদুমদি খঙজদ্রে। থেংনবদু তমজবনি। মেঘালয়গী 'তুরা' দা ১৯৭২ নবেম্বর ১৮দা অসামগী ব্রক্ষ্মণ-ইমুং অমদা পোকখিবা অঙাং অসিগী মমিং, মপা ইবুংঙোনা পামজবা ম্যুজিক কম্পোজর-কন্দক্টর 'জুবিন মহেতা' বু নীংশিংদুনা থোনখিবনি থেংনৈ। মপাগী মিংথোল 'বোরথাকুর' ওইরবসু 'গর্গ' হায়বা মিংথোল অসি, ব্রক্ষ্মণ-শাগৈ অসিগী হৌরকফম ওইবা টাইটলদুনি। মপা 'মোহিনি মোহন বোরথাকুর' অসাম সিভিল সর্ভিসকী ওফিসর অমা ওইবনা, মফম অমদগী অমদা তোয়না য়ূমহোং তৌদুনা, তোঙানবা পূন্সিগী মহাও অমা ফংলকখি। মমা ইবেম্মা 'ইলি বোরথাকুর', শৈশকপী অমা ওইবনা, মপানসু মরক মরক ঈশৈ ময়েক ইবদগী, লৈপাক্না মশক খঙলবা শৈরেংবা অমা ওইরকখি।

জোরহাৎকী জে বি কোলেজদগী হায়র সেকেন্দরি এগজাম পাস তৌরগা, ১৯৯১দা বি বরুআ কোলেজদা বি এস সী তম্নবা মিং চল্লুবদু, খরা লৈরগা, ম্যুজিক'তা পূন্সি করিয়র শেম্নবা তোকথোকখি। মশাগী চহী অহুম শুরকপদগী শৈশকপী মমা'না গুরু ওইদুনা ঈশৈ শকপা তম্লকখি। পন্দিট রোবিন বেনর্জিদগী, চহী তরামাথোই চূপ্না তবলা তম্লকপা, গুরু রমনি রাইদগী অসামি ফোক ম্যুজিক তম্লকপনা, মশাগী চহী কুন শুরকপদা, ঈশৈ (ম্যুজিক) পু শিনফম অমা ওইহন্নবা ৱারেপখিবা- অঙকপা অমা নৎখিদে। ১৯৯২-চহীদুমক্তদা মহাক্কী অহানবা ম্যুজিক-এলবম 'অনামিকা' পুথোকখি। মদুগী মতূং তুংহন্না য়েংলকখিদ্রবা 'জুবিন-গর্গ'কী ঈশৈগী খোঙচৎ, কোল্লমসিদা ইদ্র'সু মীয়াম হুপ্না খঙনরে। মহাক্কী অনৌবা পূন্সি খোঙচৎকী অহৌবা মতমদুদদি - 'অসাম' ইন্দিয়াদগী তোখায় তাখ্রগে হায়বগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা মতমনি- য়ুনাইটেদ লিবরেশন ফ্রন্ট ওফ অসাম (উলফা) গী খোঙজং কনখৎলকপা। নীংবা কায়রবা মীয়ামগী থম্মোয়দা জুবিনগী ঈশৈনা অনৌবা আশাগী ময়োল অমা চোংহল্লকখি। মরু ওইনা নহা ওইবা মীওইশিংগী থম্মোয়দা। মখোয়না খনখি - জুবিনগুম্বা, মরৈবাক মরমদম্বু মশক খঙবা/নুংশিবা মীশক অমনি 'অসাম' না মতমদুদা দরকার ওইখিবা। ২০০০ য়ৌরকপদদি 'জুবিন-গর্গ' অসামগী কলচরেল আইকন ওইরক্লে। গ্লোবেলাইজেশন অমসুং মাইগ্রেশনগী চৈথেংনা নৈহৎলক্লবা অসাম'দা মরৈবাক্কী কলচরবু নৌনা ময়োল চোংহনখি। মরৈবাক-মরমদমদতা নত্তনা, জুবিন-গর্গ, বোল্লিৱুদকী তাইবঙদসু মশাগী অচৌবা মফম, চহী তরাগী হোৎনজমন ওইনা, ২০০৬ 'গেংষ্টর' ফিল্মগী 'য়া অলি'... ঈশৈদুগী মতুংদা কনবা ঙমখি। শেল অমসুং মিংচৎ'তবু লাইনীং ওইবা কলাকার মখল অদু নৎখিদে 'জুবিন' মঙাল নাইবা পূন্সি অমগী খোঙচৎ তুংওইনরম্লগা 'জুবিন গর্গ'- মরমদমদা হল্লকখি। মহাক্না হায়- 'মীপাল তাংবা পূন্সি অমা বোল্লিৱুদতা লেন্দৌ শরুক পীক্লবা ইরমদমদুদা নিংথৌগুম লেঞ্জগে'।

'জুবিন গর্গ' - অসামিশিংগী থম্মোয়-খুদুম চন্দুনা নিংথৌগুম্না লৈরম্লিবা, মাগী ঈশৈখক্না মরম ওইরগা নৎখিদে। ৱাই শিৎপা, সবজি-য়োনবা, চাই-ৱালা, লৌমী শিন্মী পূম্নমক্কী মরক্তা চামিন-থকমিন্নদুনা অৱা-নুংঙাই ৱারী শাবা - জুবিনগী থাদোকপা ঙমদ্রবা হৈনবীনি। চহী খুদিং ঈচাও মায়োক্নরবা খুনমীশিংগী মরুপনি, ফি-রোল, অচা-অথক য়েনবীবা, থাদোকফদ্র' থৌদাংনি। কোভিদ-১৯ মতমদা অনাবশিং থম্ফম লৈতবগী অৱাবা কোক্লবা, মথোল অনী ৱাংবা মশাগী বিল্ডিং অদুবু কোভিদ-ক্যের সেন্টর ওন্থোকখি। অৱাৎপনা থল্লবা, লায়রবা অসামিশিং আশা অমা পুদুনা, মাগী ষ্টুদিওদা মতেং নীবা চঙলুবা, কনাবুসু মখূৎ হাঙনা হলহনখিদে। লুহোং-কৈহোং, অনা-লায়েং, অঙাংগী স্কুল-ফী... মহাক্কী ঙম্বা চাংদুদা মতেং পাংখি মীয়ামগী। অদুবু মহাক, ইনাক খুনবা কম্মর্সল সিঙ্গর অমদি কৈদৌনুংদা ওইখিদে। মহাক্কী ঈশৈ রেকোর্দ তৌখিবা ম্যুজিক কম্পনিশিংনা মঙোন্দা 'ৱান টাইম ফী' (ঈশৈ অশকমল) পীদুনা 'এক্সপ্লোইট' তৌবীখি। অদুবু মহাক কৈদৌঙৈদা নীংহন্নখিদে। মাগী মতেং পাংবীনবা 'দোনর' মশীংসু ৱাৎখিদে।

জুবিন-গর্গ, লায়রবা অসামিশিংগীদি শৈশকপা অমখক নৎখিদে, মীৎনা উবা ঈশ্বরমক্কী শায়োন্নি। লম্বী চোন্না তিনখিবা, মবুংঙোগী অরোইবা দর্শন তৌনবনি। ●

# বরাক তম্পাক্কী মরাইবক - লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

– তোংব্রম অমরজিৎ –



মোইরাংথেম সত্যবতি জন্যুৱারী ১৮, ১৯৭০ নোংমাইজিং নুমিত্তা জিরিবাম সব দিভিজনদা পোকখি। অপোকপীগী মিংনা মুতুম নিলো অমদি য়োকপীরকপীগী মিংনা লৈথংবম চন্দ্রসিং (কৈনৌ) অমসুং অপোকপীগী মিংনা নেনা কৌই। জিরিবাম ডিবোং সনাখোংদা লৈবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রগা পূন্সি লৈপুন ওইদুনা মপুগী থৌজালদগী মচানুপা টিকেন্দ্র মোইরাংথেম অমদি মচানুপী মোইরাংথেম অনুপমা ফংজখি। মনেমগী মিংনা মোইরাংথেম বিনোদিনি কৌই। অইবী সত্যবতি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়গী লাইফ মেম্বরনি। মেঘালয়দা ফোঙবা লোল তরাগী ওইবা চহীগী চেফোঙ রুপাঞ্জলি, ত্রিপুরাগী মরুপ পত্রিকা, ইচেম্মা, মণিপুরদা ফোঙনরিবা পাউচেশিংগী খোরিরোলগী কলমশিংদা মহাক্না ইবা ৱারেং, শৈরেংশিং লেপ্তুনা হাপ্তুনা লাক্লি। মসিতসু নত্তনা তোঙান তোঙানবা খোরিরোলগী লূপশিংনা শিনবা খোরিরোলগী থৌরমশিংদসু শৈরেং কয়া খুদোল তম্লদুনা লাক্লি। অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি 'নীংশিং খুনগী মপু (শৈরেং), ২০১২; 'ৱারীদুবু লোইদ্রিব্রা (ৱারীমচা) ২০১২ অমসুং কীন্থরক্লবা শম্বল (ৱারীমচা) ২০১৪ নি।

নীংশিংলুবদা কি-তুজুংনিংঙাইনি চহী তরেৎ খুন্তাকপগী ৱারী। থৱায় হিংনবা চেন্নখি য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা। অসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশ তম্না লান চেন্নখি। খুন্দা লৈতাদুনা লৈনখি মফমশিং অসিদা। পুৱারীগী লাইবক থীরবা থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা চোয়না চোয়না খুন্দাখ্রবা ইরৈচাশিংগী মনুংদা বরাক তম্পাক্তা খুন্দাখ্রবা ঈগী মরী ইচিন ইনাওশিং, ইপু ইবেনশিং অদুগী চাদা-নাওদাশিং অদুনা মশাগী আইদেন্টিটি, কলচর,লোল ঙাক্না হিংনবা হোৎনবসিদা ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুনা অইবী সত্যবতিনা লাইরিক অসিগী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'বরাক তম্পাক্কী মরাইবক' হায়বসিদা ফোঙদোক্লবা হোৎনরি। মীশিং য়ামজদবা অপীকপা ফূরুপ অমনা মীরমদা তাংজদুনা লৈবদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অদুসু উশিন্দুনা ইরকপনি। হৌজিক হৌজিক বরাক তম্পাক্তা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফূরুপ অমা ওইনা মীতৈশিং লোল, কলচর অমসুং ইশাগী শক্তম্বু ঙাক্না হিংনবা হোৎনরিবা অসিসু পুথোক্লদুনা ইরক্লি, 'ঐখোয়গী ইপা-ইপল/ইমা-ইন্দোল কয়াদি/হায়রুবদা নিংদোল পোল্লকই/মীগী চৎনলোন্না হেনখ্রে/ইশাগী কাঙলোন তুংওইনদুনা/কনাদা শাওবা য়ারিবা?/কীন্থরক্লিসে উরগা মরী মরাং তৎতুনা/ইমালোলগী পূক্কেসে মিপাইদবা ঙমদেদো।/নুংশিদ্রা ঙাঙনরিবা ৱাহৈ মরক্তা/লোনয়ান ঙাক্তা ওইরম্লে/মীরোল ঙাক্তা ঙাঙলম্লে;/কনাদা লাল্লি হায়রুনি?/ইচাশিংবু পারি-পুরি তাকঙম্লরোইদ্রা/থম্মোয় ফূক্না মিপাইজৈ" (লা: ৫২) অইবীনা মিপাইজ রিবা অসিমক মহাক্না মিৎয়েং শান্না উশিল্লুবা অদুননি। করম্নদি মিপাইদবা ঙমগনি। মপাঙ্গল কনবা, শক্তি লৈবা অচৌবা ফূরুপশিংনা অপীকপা ফূরুপশিংবু মখোয়গী ফিবান্নুংদা তপ্না-তপ্না য়োৎশিল্লক্লিবা মতমসিদা মীশিং য়ামজদবা অদুবু মীরমদা তাংজদুনা হিংলিবা বরাক তম্পাক্কী মীতৈশিংদি ৱাজরিবা হায়বদুনি কবিনা তেংথারক্লিবসি। অচৌবা ফূরুপকী মতৌ তম্লগা, মখোয়গী মরোল ঙাঙলগা অমদি মখোয়গী পুৱারী তম্লগা ঙসি ঐখোয়না লাইরিক হৈরবনি হায়না খল্লিবা ৱাখল্লোনসিমকসু অরানবনি।



মোইরাংথেম সত্যবতি

লাইরিক্কী মমিং :- **বরাক তম্পাক্কী মরাইবক (২০১৬)**
অইবা :- **মোইরাংথেম সত্যবতি**
অফোঙবা :- **মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মখুম :- **মোইরাংথেম প্রোমেন (ডিবোং সনাখোং) অমদি পোৎশংবম শান্তিকুমার**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২০০/-**
লমায় মশিং :- **১৯৬ (মীতৈ ময়েক য়াওরগা)**





খঙদবদি য়াদে মীগী লোলসু। মসিনা অহেনবা লৌশিং হাপ্লিবনি অদুবু ইশাগী লৈজরিবা লোলদি মফম চানা, মতম চানদি শীজিন্নবা তঙাইফদে। অদুনা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমক ঐখোয়না লমজিং-লমতাক ওইগদবা লাইরিক ইবা, লোনগৈ শেম্বা অদুগা য়ারিবমখৈ স্কুলদা, য়ূমদা ইমালোল শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লাক্লি। লোল অমা মরাই চাইথখিবদা কাঙলূপ ফূরুপ অমা মমি শামখিনি হায়বসি কবিনা চেকশিন ৱা থম্লকপনি খল্লি। লোলগী মেদিয়মসিদনি কলচরনা পাথাং পুথাং লান্দুনা মীরোল অমদগী অমদা লাক্কদৌরিবসি। অদুনা লৈঙাক্লসু মসিগী থৌশিল পুথোকপা তঙাইফদে। তৌরিবা থবক খরসিনদি হেক্তা মায় পাক্লগনি হায়বসু য়াদ্রি। মরমদি নোংচুপলোমদগী হুমজিল্লক্লিবা শাফূ কল্লবা কলচরেল ইম্পরেএলিজম, নিও কোলোনিয়েলিজমগী থৌশিল থৌওংশিং অসি ঐখোয় ইশা খঙজদনা অঙকপা ফংনা লান্দাশিল্লক্লিবনি। মিৎনা উদবা লাল্লোং কয়ানি চথরক্লিবসি। অদুননি কবি সত্যবতিনা হায়রক্লিবা, "খোঙথাং খুদিং চেকশিন্না/ৱাহৈ খুদিং মল্লক্লি, অমমমতা থিদুনা/পোকফম হৌফম হাংদোক্লক্লি/মীতৈ লৈবাক কন্নবা।/... বরাক তম্পাক্কী নচা ঐখোয়না/থম্মোয় শোক্না পাউজেল্লি/খোঞ্জেল হিক্না পাউচৎলি..." (লা: ৫৩) চেকশিন্না ফিরেপ লৌমিন্নসি হায়না পাউমেল্লক্লি অইবীনা। তুংদা লাক্কদবা অৱাবা অদুদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়বনি।

অহল মতম ওইশিল্লক্লবা পলেম-পম্থৌনা, মপু মবেলনা, অহল-লমননা মচা-মশুশিংদা চৈ ঙাঙবদা নহাশিংনা শাওই। করি কান্নবা ঙাঙলিবনো হেক হেক খল্লি। তুংগী লম্বীনা শাংহৌরবা মাঙগী লম্বীনা তেনশিল্লক্লবা মখোয়নদি উরক্লি পূন্সিবু হেন্না ময়েক লানা। করি তৌগনি, করি তৌরোই অহান-অকোন, তৌহৈবা-তৌহৈদবা লোইনা উরকই হেন্না খঙলকই। মতমবুসু হেন্না নুংশিরকই হেন্না পাম্মুরকই অদুনা মচা মশুশিংদা খুনাম চেৎনা ৱারক ৱাতেমজৈ। অদুবু হৌজিক মতমগী মীরোল অসিনদি তানীংবা কয়া ৱাৎলি। থৌওইদে মপু-মবেল, মমা-মপানা ঙাঙবদা। হায়রিবসি হৌরক্লিবা অঙাং খুদিংমক লোইনা ফৎত্রে হায়বগী ৱাফমদি নত্তে। মশুশিংবু মীরক তিন্নবা মীমান্নবা ঙম্নবা অমদি অফবা মী ওইনবা ৱারক ৱাতেম্বীবসি মখোয়গীদি মথৌনি খঞ্জরিবা অহল মতম ওইরক্লিবী অমগী মরমদনি কবিনা ইরক্লিবা 'ঙাঙগনবী হনুবী'। চাওখৎপগী ফিদম করিনো হায়না খঙদ্রিঙৈদা অরং-অরাক্কী পূন্সি মহিংদা হেন্না পূক্নিং লূপশিল্লবা মীরোল অসিগীদমক্তা ৱাজদুনা ইরক্লি, "ঙাঙনরি চিবোন চিবোন/থিরুদে কনাবুনো... চৎনরি লম য়ৌবা ফিজেৎতা/ঙাঙনরি চীংলেম্বা লোন্দাদা/লেন্নরে মহেল্লে ঐনা... মহীরা, পাউদররা, ইঞ্জেক্সনলা... নোকমিন্নৈ চামিন্নৈ/লেঙ্গৌন্নৈ।/তুশোন্নৈ ঙাঙগনবী হনুবী/উরি লমুক্নরা মশুশিংগী হয়েং..." (লা: ৫৭)

মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহল্লু হায়বগী ঈহৌ য়াম্না কনখি। মীশি-মীনা, অশোক-অপন, অমাঙ-অতা কয়া থোকখি। য়েলহৌ ফূরুপ ওইরিবশিংদা ঙসিদি খ্বাইদগী চাউরবা থ্রেট অমা হায়রগদি মীতোপশিংনা লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্তুনা দেমোগ্রাফিদা, ইলেক্তোরেল সিষ্টমদা ফাওবা য়াওশিল্লক্তুনা অমদি শেন্মীৎলোন্দা শাথীনা অহোংবা লাকহল্লকপসিনি। য়েলহৌ ফূরুপশিংনা লমদম অসিগী মপু ওইরম্বদগী ঙসিদি মীতোপ্পা ওইনা ৱায়েল থৌদা ফাওবা শুপ্নম শাসন তৌশিল্লক্লি। অসিগুম্বা অকিবা অমা ওইরক্লবা ফীভম অসিদা কবি সত্যবতিসু তূমিন্না লৈথোকপা ঙম্লক্তে অদুনা ইরকখি 'য়েলহৌমী কনসি পারি-ইমোম' মীৎনা উরবা, নাকোংনা তারবা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অদুসু মীতোপ্পা লমদম অসিদা লাক্তুনা ফত্তবা কয়া মাঙ তাক্লীংঙাই ওইবা কয়ানি চথরক্লিবসি। চেকশিন্দবা য়ারিবরা হায়বনি কবিনা ফোঙদোক্লিবসি। অদুনা ইরক্লি, "খুইথরবা ইরমদম কন্নবা,/মীতৈ লংদাই ঙাক্নবা/কংলৈপাক ঈয়ান তৈদনবা/য়েলহৌমী কল্লসি/ইরৈচা কয়ানা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা/লৈঙাক্লোইশিংগী মায়োক্তা শীংনরকখি।/জুলাই ৭তা থোকখিবা থৌদোক্তা/অশিববু কিদনা মায়োক য়াখিবা/ইমা ইবেল মহৈরোয়শিংগী মরক্তা/লমজিং মৈরা ওইখিবদো নঙনা/থৌনা লৈবা হে মহৈরোয়..." (লা: ৭৫) লমদম অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইগদবা অতাঙবা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদনি কবিনা মসিদা শৈথারক্লিবসি। পাম্মুরবা মহাক্কী য়াইবী থৱায়না শিঙমদনা তাইবঙ থাদোকখিবদো লমদম অসিগী য়েলহৌ ফূরুপশিংবু কন্নবনি। ঐখোয় লৌশিং চাউবা ওইসি। ঙসি ঙসিখক্কী খল্লগা হিংগুমসি। তুংদা হৌরক্লিবা লমদম অসিগী মীরোলশিংগীদমক্তা করিগুম্বা অফবা খরদি থৌরাং তৌদুনা তাবুনুংদা থমজিল্লমসি। লৌশিংনা লানবন শেমদুনা ইফূরুপ অসিবু ঙাক শেনসি হায়বা পাউজেল অমা লোয়নরি। শৈরেং ৬৩ য়াওবা লাইরিক অসিবু অইবীনা মহাক্কী মনেম্বোক্কী মফমদা নুংশিনা কৎচরি। লাইরিক মখুম্না মনুংদা য়াওরিবা শৈরেংশিংগী চাওরাকপা মশক অমা ফোঙদোক্লি। মসিসু লাই য়েক্লিবা আর্টিষ্টকী মায় পাকপা অমনি। নৈনবা য়াবা শৈরেং ফজবা খরসু অদুম্মক থেংনবীগনি অপাবশিংনা। লেপ্তুনা শৈরেং ইবীদুনা মীওইবা খুন্নাইদা অফবা পাউজেল কয়া পীবিরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা তশুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ২১

– আর কে বুধিমন্ত কর্টা –

**তাকশিকোল :**- ঈশা অসি পুবা লাইনিংথৌদি 'লাইকোয় পাখঙবা' কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা 'ঈককলেম্বী' কৌই। লাইনিংথৌগা লাইরেম্বীগা লোয়ননা ঈশা অসিদা খোইয়ুম লাইয়ামশিংগী থুপ্নফম্লে, তাক্নফম্লে। ঈশা অসিদা 'ঈরিক্লাই' কোংগোন লাইদি 'ঈখুমলাই' 'ঈনমককপা লাই' 'ঈশুম্বা লাই' 'ঈনম খিংহেনবা লাই' 'ঈখোঙবা অরিকপা' 'ঈমেনবা লৈতুম্বী' হায়রিবা লাইশিংনা হান্না থুপ্পা হৌখিএ। অসিগী মথংদা লাইয়ামসু মথং মথং থুপখিয়ে হায়বগীদমক ঈশা অসিগী মমিং 'তাকশিকোন' হায়না কৌনৈয়ে।

**লাইশোয় চীংজিন :**- ঈশা অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'ঈনুংবা পাখঙসি' কৌই। লাইরেম্বীগী মমিংনা 'হুপতোনলৈমা' কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীমক্কী অহানবা মমিংনে। লাইমিং অসিগা থারগা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী মমিং ১৮ শুইয়ে। ঈশা অসিদা থাংজিং, মার্জিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু, লোইয়ালাকপা, নোংপোক নিংথৌ অসিনচিংবা লাইয়ামশিংনা শোয় চারম্মী হায়দুনা মফম অসিবু 'লাইশোয়' কৌখি।

হৌজিক চান্দপুর হায়রিবা লমদম অসি লাইশিংনা অদুঙৈ শোয় চাবা মতমদা চায়োম থোক্তুনা চাই হায়দুনা মফম অসিবু চয়োম থেনফম, চায়োম চাফম্নি। থম্নাপোকপী কোম্বীরৈ পোকপী কোম অমদি হাওগ্রম পাৎ অসি লাইশোয় চীংজিন্দা লৈবা ঈশাশিংনি। কোম্বীরৈ হৌবী, থম্না হৌবী অসিদা চহী কুমওন খুদিংগী শা-ষণ মী লৌই। শা-ষণ, মী লৌরিবসি তাকশিকোনগী লাইনিংথৌ অসিননি।

**হাওমাং চীং :**- ঈশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌদি 'তাউ লিলেল পাখঙবা' কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা 'উলিকলেম্বী' কৌই। লৈহৌরকঙৈদা লাইয়ামশিংনা মাগী-মাগী শিন্থা পাঙদুনা ঈশা অসিদা পুনখিয়ে। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা মথি ফোঙলকপা মতমদা তাইবঙ ওইবশিংনা থেংনরুরবদি চৈবী চৈথেং ফংঙে। হায়রিবা লাইনিংথৌ অসিনা কৈনা চীংজিন্দগী হাওমাং কাচিন ফাওবা পুইয়ে।

**তাকমু পাৎচাও :**- ঈশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌদি 'লাইথিংলেন পাখঙবা' কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা 'লৈশিনলেম্বী' কৌই। খোয়ুম লাইয়ামশিংনা ইথোং থিংখিবগী ঈনুংপুঙ কয়া ঈশা অসিদা লৈয়ে। ঈনুংপুঙ অসিগী মনুংদা তাইবঙ মীনা চংলুরগা চৈবী চৈথেং পীবা পুঙ য়াওরিয়ে। লাইখমতাক চীংজিন্দগী খোংব্রান চীংজিন ফাওবা নুঙফম ১১ লৈয়ে। ১১ অসিগী মনুংদা নুংথোঙ নুংবীরেল অমা য়াওরিয়ে।





লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা ঈওন লাংওন্দুনা 'ঈনুং শারিবা' হায়বা লাইনা ঙা ওল্লগা ঈশা অসি শিনবা থুংনা পুইয়ে। ঈশা অসিগী মনুংদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা শায়োল্লে। ঈরিল থোকপীনা থোক্লগা ঈরিল ঈখৌপুঙদা ঈথুপলক্লে। ঈতোকফমদা ঈতোক্লগা লাংলক্লে, ঈনম খায়খিয়ে। থৌরম কয়া অসিগী তুংদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা শায়োল লাংওন কয়া তৌরুরগা মফম খরদা খোয়ুম লাই কয়াগা লোয়ননা পূন্না থুপখিবা, তাকখিবা মফম অদুবু 'তাকমু তাকশিকোন' 'লাইখমতাক' হায়না কৌনখিয়ে। ঈশা অসিদা থাংজিং লাইনা শীজিন্নরম্বা হি অমা লৈয়ে। লোক্তাক ঈশাগী কয়াৎ মনুংদা লৈরিবা ঈরম খোংলম, তিনফম লাইফম অমসুং নূংথোঙ নূংফম কয়াবু খরদং পঞ্জবনি।

**ইথিংহৈকোল মমাং :**- ঈশা অসিদা মপু মহাক্কী পাইমা ৱাখল তুংইন্না শারেং মী মানববু থম্বীরম্মী। লাইনিংথৌ "খোইজেং পাখঙবা" না মপু মাগী শিন্থা তুংইন্না শারেং মী মানববু ঈশা অসিদা লৈখিয়ে। মহাক্না ঈরোৎতুনা ঈওল লাংওন্দুনা মপু মহাক্কী শিন্থা ঙাইদুনা লৈখিয়ে। ঈশা-সিদা তাইবঙনা চংলুরবদি, থেংনরুরবদি চৈবী চৈথেং পীয়ে। তিন্থুং লাইথুং থুংঙে। মফম অসি য়েক ৭কী ইরাৎফম্নি।

**লোক্তাক ঈশা ৮ শুবনা কোল্লিবা মফমশিং, মপু মহাক্কী লাইনিংথৌ কোম :**- নুংগী ঈশা ওইরিবা সন-নচীং (থাঙ্গচীং) বু থৌগল তৌবা লোক্তাক ঈশা ৯গী মনুংদা ৮-শুবা ঈশা অমনা 'লাইনিংথৌ কোম' হায়বসিনি। ঈশা অসিদা লৈবা ঈরম খোংলম পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'তরং লৈখ্রা পাখঙবা' 'ঈনুং চেক্লা পাখঙবা' 'লৈনূং শারম পাখঙবা' 'ঙতা শারম পাখঙবা' কৌই। ঈশা অসিগী ঈরম খোংলম অসি খুমন কোনুং য়ৌই। খুমন কোনুংদগী অমুক কংলা য়ৌই। কংলাদগী কৌব্রু য়ৌই। কৌব্রুদগী লুৱাং কোনুং য়ৌই। লুৱাং কোনুংদগী অমুক লাক্লগা মোইরাং কংলা য়ৌই। মোইরাং কোনুংদগী অমুক লাক্লগা ঈশা অসিদা অমুক তিল্লে। ঈশা অসিদা ঈরাৎ থৌনি তৌবদা নুংজেং পাৎতা ফাওই।

**লাইরেম্বী কোম :**- ঈশা অসিবু পুবা লাইরেম্বীগী মিংদি 'কোরৌ লৈশিলেম্বী' 'নুংমা লাইরিক হেনবী' 'লৈনুং শালিকপী' 'ঈলিকলৈমা' 'উমা শালকপী' 'লৈতোন খানম্বী' 'ঈরিক লৈমা শৈতাংবী' 'ঈতোন থম্না শনত্রেনবী' 'লৈহুল সনা ইরেপ্পী' হায়না মথং মথং শায়োল লাংওন ইন্না কোলোইনৈয়ে। লাইরেম্বী অসিনা শায়োল লাংওন কয়া তৌদুনা তাইবঙগীদমক ঙারম শুনা পুথোকখিয়ে।

ঈশা অসিদা ঈরাৎপদা য়েক তরেৎকী অফবা ওইয়ে। মফম অসি 'থমংখোং' 'লাইনিংথৌ কোম' হায়না খঙনরিবা মফম অসিগী নোংচুপ্তা লৈয়ে। ● (মখা চথজরকখিগনি)।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।